কোভিদ-১৯গী কেস...

লামায় ১গী মখা... ইষ্টতা ২৪, রাজ মেদিসিটিদা ৭, জিবন হোস্পিটালদা ২, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ২, শিজ হোস্পিটালদা ১৫, সী এম সীদা ১, হিলসাইদ হোস্পিটালদা ১ অমসুং তমেংলোংদা ৫ থেংনখিবনি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবশিং অসি ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৩৬, ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৩২, চান্দেলদগী ১, ককচিংদগী ১, কাংপোকপীদগী ১, বিষ্ণুপুরদগী ৫, থৌবালদগী ৭, জিরিবামদগী ১, চুড়াচান্দপুরদগী ৪, তমেংলোংদগী ৬, উখ্রুলদগী ২ অমসুং নোনেদগী ২ নি। কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বদগী ফগৎলক্লবা মীওই ২০৩ সু দিসচার্জ তৌখ্রে হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ইষ্ট...

লামায় ১গী মখা... মহাক্কী লৈফম্না মহুলি ৱেল, হাসনপুর, সমাষ্টিপুর, বিহারদগী লাক্লগা হৌজিক্কা পাউনা কৈথেলগী ঐচ এম টি বিল্ডিংদা লৈবনি হায়রি। মঙোন্দগী ফারবা পোপী মরু অদুগী ভেল্যুনা লোকল মার্কেটতা লুপ লাখ ১২ রোমনি। ফারবা মীওই অদু মখা তাবা এক্সন লৌখৎনবা এন্টি স্মগ্লিং (এ/এস) কষ্টম দিভিজন ইম্ফালগী এস পিদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

GAS NEWS

KHORIPHABA NAMBOL
Booking upto : 22/08/2020
(Sl. No. upto - 11998)
Home Delivery Cont.
9366471778/883734974/
9862602880

M/S BASHIKHONG INDANE
Booking upto : 25/08/2020
Valid from : 17/08/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 9089709738,
7005204180, 8787566191
Office Timing: 8.00 am to 11am
Will be delivered for 3days

HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING UPTO : 25/08/2020
VALID FROM : 21/08/2020
DROP IN BOX. & HOME DELIVERY.M.NO. 9089177227 & 9366597565, M. BOOKING OFFICE- 9089161416
CONT.TIME : 7.00AM.TO.10.30 AM.

RBD INDANE SERVICE
Booking upto : 27/08/2020
Valid from : 08/08/2020
Stock : 420
All Customers are Home Delivery
Working hours 7:30 AM-12 Noon(Numit khudinggi phone touba yagani Suti nattana /Every Day Except Holiday) Contact No. 7629947172 and 7629947182 for Refill order and Enquiry
(Delivery within 4 days)

SANTHEL BAZAR INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING UPTO : 15/08/2020
VALID FROM : 06/08/2020
STK. : 306
TIME : 7:00AM - 10:00AM
HOME DELIVERY DATE 13/10/2020
CONTACT NO. 7005695308,
6009772483,

KHUMBONG INDANE
Booking upto : 21/07/2020
Sl. No. - 450
Only home delivery
Contact No. 7005771527
Office No. 9774068549
Whatsapp No. 8794973019
Time : 7.30am to 10.00am

HIYANGTHANG INDANE
Booking upto : 04/08/2020
Only home del.
Cont. No. : 7005934398,
7629076494, 8787330040
Whatsapp No. 9366502930.
Office No. 6381538861. Enquiry No.7085557686
Timing : 7.00am to 11.00am

HARAN VALLEY, KWAKTA
Booking upto : 10/10/2020
Valid from : 02/10/2020
Please Contact Mobile No.
7085412191
Time: 7:30am to 11:00am

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 06/09/2020
Valid from : 13/08/2020
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041,
8259969582
Office Timing: 7.30 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS

MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO: 25/08/2020
VALID FROM: 21/08/2020
STOCK= 306
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON.

JRONGMEI SK INDANE WANGOI
Booking upto : 21/07/2020
Valid from : 19/07/2020
Stk. : 306
Timing : 6.00am to 9.00am
Home Delivery, Contact No.
(6909963855/8119073029)

LAMSANG GAS AGENCY
(Home Delivery only)
Booking upto : 01/08/2020
Valid from : 30/06/2020
Timing : 8.00am to12.00noon
Home Delivery
Contact No. 8730087936
(Within2or3daysdelivery)
Please submit Consumer latest mobile number.

এন আই এ নৎত্রগা সী বি আইদা থিগৎহনবীয়ু : আর কে আনন্দ

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচ এন এস) : নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী এম এল এনা রিজাইন তৌখিবদগী এ সী অসিগী মীয়াম্না পি দি এসকী চাকথুং শুনা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসি এন আই এ নৎত্রগা সী বি আইদা থিগৎহনবীয়ু। সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রতনা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা মীয়ামগী চাকথুং মপুং ফানা ফংহনবীয়ু হায়না বি জে পিদা য়াওখ্রবা এক্স-এম এল এ আর কে আনন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্বাকৈথেল অখাম লৈকায়দা লৈবা মশাগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অদুদা এক্স-এম এল এ আর কে আনন্দনা হায়খি, নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মীয়াম্না হৌখিবা চহী অহুম মখায়রোম অসি নফসাগী ফংফম থোকপা চাকথুংশিং নীংথিনা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লদুনা লাক্লি। এম এল এ লৈতবদগীসু হৌজিক মীয়াম্না ফংফম থোকপা চাকথুং ফংদনা অৱাবা মায়োক্লরি। হৌখিবা চহী অহুম মখায় অসিদা লৈখিবা অশোয়বা অরানবা কয়া অসি হৌজিক সী এ এফ এন্দ পি দিগী মিনিষ্টর টি ঐচ সত্যব্রতনা চিংথোকপীরক্কনি হায়বগী থাজবা থল্লি। মীয়ামগী চাকথুং শুনা ফংহন্দবশিংগী মথক্তসু মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপীয়ু।

কোভিদ-১৯ গী লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীগী মনুং চন্না কনটেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকখ্রবা মফমশিংদা লৈরিবা মীয়ামগী অৱাবদসু অঙম্বা থাক্তা তেংবাংদুনা লাক্লি। মখা তানসু তেংবাংখিগনি। এম এল এ লৈতবদগী কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ থিংননবা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং এ সী অসিগী মীয়ামদা য়ৌহনবদসু খুদোংচাদবা কয়া থেংনরি। অসিগুম্বা মীয়ামগী অৱাবা অসি কোকহন্ননবসু মরী লৈনবশিংনা হোৎনবীয়ু। মীপুম খূদিংমক্নসু ৱারিয়র ওইদুনা লায়না-লাইচৎ অসিবু পুন্না থেংনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচ এন এস) : ইথাই দামগী লম্বীদা এন ঐচ পি সীনা রিমোট সেন্সরগী গেট পাল্লগনি হায়না তৌরিবসি য়ানিংদে হায়দুনা ঙসি অপূনবা ক্লব এন্দ অপূনবা মৈরা পায়বী ওফ ইথাই বেরেজ এরিয়ানা শীন্দুনা ইরাই বেরেজ কম্যুনিটি হোলদা মীয়ামগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুগা মরী লৈননা ৱাঙাংলোয়শিংনা ইথাই দাম থমখিবদগী দামগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদা পীরিবা অৱা-চৈথেং, দাম অসি লৈরকপদগী লোক্তাক্কী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামদা থেংনরিবা অৱাবা, লৌ উরম্বা মফমশিং ঈশিং থুমজিন্দুনা মাঙখিবা, দাম অসিগী অকোয়বগী মীয়াম্না চৎথোক-চৎশিন্দা দাম অসিবু ঙাক্লিবা সিক্যুরিটিশিংনা হান্নদগী হৌনা অৱাবা পীরিবা অসিগী মথক্তা হৌজিক অমুক রিমোট সেন্সর গেট পানশিন্নবা হোৎনরিবসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। লোয়ননা মীফম অদুদা মীয়াম্না অমত্তা ওইনা দাম অসিগী নাকল অনীদা রিমোট সেন্সরগী গেট ২/২ পানগনি হায়রিবসি য়াবা ঙল্লোই। গেট অসি পনবা য়ারোই হায়বা ৱারেপ লৌখি।

মীফম অদুদা সী ও ঐচ আরগী চ্যেরমেন ফুলিন্দ্রো কোন্সম, য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট সুনিল করাম, হেরিকোনগী প্রসিদেন্ট এল রতন, সী সী এস কেগী প্রসিদেন্ট জিতেন্দ্র নিঙোম্বা, লিপুলগী প্রসিদেন্ট সোমোরেন্দ্রো থোকচোম, ঐচ আর এগী এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর বল্লু লোইতোংবম, এল কে কে এলগী প্রসিদেন্ট পুয়াম জয়, য়ু সী এমগী সেক্রেটরি জেনরেল খুরাইজম অথৌবা, বি জে পি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি সনসম প্রেমচন্দ্র মৈতৈ, ইকলগী প্রসিদেন্ট ওইনাম বিমোলা, শুগনু এ সী অমদি কুম্বী এ সীগী মীয়ামগী মীহুৎশিংনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

সপ্লিমেন্টরি চার্জশীট...

লামায় ১গী মখা... ঙসি লৌখৎলগা মসিগী দোক্যুমেন্টশিং য়াওনা প্রেয়রশিং য়েংলবা মতুংদা অনৌবা এক্যুইজ অসিগী মথক্তনা ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ৩৪/১২০-বি/১৮৬ কী মখাদা কোগনাইজেন্স লৌখিবনি। কোর্টনা কোগনাইজেন্স লৌখিবগা লোয়ননা অহানবা চার্জশীটকী এক্যুইজ ১৩দা সম্মোন নোটিশ ইস্যু তৌখিবগুম্না মহাক্কী মথক্তসু থা অসিগী ১৪দা কোর্টসিদা কারক্নবা সম্মোন নোটিশ পীখ্রে হায়রি। পনবা য়াবদি, হান্না থাগৎলকখিবা চার্জশীটতা এক্যুইজশিং ওইনা চার্জ তৌরক্লিবশিংদা এদিসনল এস পি থৌনাওজম বৃন্দা, সব-ইন্সপেক্টর রাধাকিশোর ৱাহেংবম, হেদ কন্সটেবল গোতিময়ুম প্রিয়োজিৎ, কন্সটেবল লাইশ্রম সঞ্জোয় অমসুং ইরেংবম রবিকুমার অমদি ভি দি এফ পর্সনেলশিংদা এম দি নজির অহম্মদ, এম দি অনিশ খান অমসুং এম দি ফেরোশ য়াওরিবনি।

আই এস এস এনা...

লামায় ১গী মখা... থাগোন্নরিবা উনিংথৌ উজাও উরেলদা খুৎথারম্বশিং অসিনি। মরম অসিনা হন্দক নৌনা কৌনু লাইরেম্বী লাইশঙদা খুৎথাদুনা অকায়-অতোয় থোকহল্লন্লিবা মীওইশিংবু লৈবাক মীয়াম খঙনা মতিক চাবা চৈরাক পীননবা লৈঙাক অসিগী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংগী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি। করিগুম্বা মীয়াম খঙনা মতিক চাবা চৈরাক পীহৌদ্রবদি মথোং হুক্ত্রবা হৈনবী অমা ওইখিদুনা মখা তানা অসুম চথরক্লবদি সনামহী লাইনিংলোয়শিংদা অকনবা শাফু অমা পীরকপা ওইগনি। মদুগী মতম লাক্লবদি খুন্নাই অসিদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া থোকহল্লকপা য়াই।

চীংদা অমসুং লোয়ালমদা লৈরিবা সনামহী লাইনিংলোয় অমসুং মৈতৈ ফুরুপকী অরিবা লাইনিং-লাইশোন অমসুং পুৱারীগা শম্নবা খুভমশিং অসি শেমগৎ-শাগৎপীদুনা অসিগুম্বা য়ৈখায় থিনগাইবগী থৌদোক অসি মখা তানা অমুক হন্না থোক্তনবা ঙাকপী-শেনবীনবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙগী পূক্লিং চিংশিঞ্জরি হায়নসু চেরোল অদুনা ফোঙদোরক্লি।

কংলৈপাক শিনবা থুংনা ওক্টোবর ১৫দা...

লামায় ১গী মখা... য়ানিংদবা ফোঙদোক্লকখিবা অসিনা কংলৈ খুন্নাইগী করম-করম্বা মীওই কাঙলুপশিংবু ৱাখল তারবগে (কন্সিয়স ওইরবগে) অমদি ৱাখল তারবা (কন্সিয়স ওইরবা) মীওইশিং অদুনা ইন্দিয়াগী লোয়লম লৈঙাক অসিবু ঙাকথোকপা ঙম্নবা থিংবা (রেজিষ্ট তৌবা)সি কয়ামুমক খুন্মাং চাউশিল্লগে হায়বসিনি। তশেংনা য়েংলুরবদি নুমীৎ অসি য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী থৌরম পাঙথোক্লক্লিবা অসিগী পান্দমদি ফংলে হায়না লৌবসু য়ারে। কংলৈপাক্তা লৈরিবা ইন্টিলেকচ্যুএল ক্লাস, মহৈরোয় খুন্নাই, ইনফোর্ম পব্লিকশিংনা হীরম অসি নীংথিনা খঙলবনি। মসিগী খুদম হায়ববু তোঙান-তোঙানবা থাক্কী ফম্বাকশিংদা হীরম অসিগী মতাংদা কংলৈ ইন্টিলেকচ্যুএল কয়ানা মরিক চুম্না খন্ন-নৈনখ্রে। মহৈরোয় খুন্নাই নুমীৎ অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী থৌরম তৌরিবনি। ইনফোর্ম পব্লিকশিংনা হীরম অসি পুন্নমক্তগী হন্থনা খঙবা নত্তে। লৌমী-শিন্মীশিংনা ৱাফম অসি য়াম্না ময়েক শেংনমক খঙদ্রবসু ঈহৌ অসি চিংবা ঙল্লিবা, চিংগদৌরিবশিংদি নীংথিনা ৱাখল তারে (কন্সিয়স ওইরে) হায়না লৌবা য়ারে। অদুবু রেজিষ্টেন্স মুভমেন্ট অসি মাঙলোমদদি ইচঙ চঙশিন্দবগুম তৌরি। মসি করিগীনো। ৱাহং অসি অরুবা ৱাহংনি। মসিগী পাউখুম পীদুনা খুন্নাই অসি অমুক হন্না মখোঙ মখুৎ শুনা পানবা খুন্নাই অমা ওইহনবা ঙমগদৌরিবনি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ইন্দিয়াগা কংলৈপাক্তা অনীগী মরক্তা লৈরিবা মুক্নবা অসিবু নীংথিনা খঙলবা খুন্নাই অসিগী মীওই কয়ানা ঈহৌ অসি থাদোক্তুনা ইন্দিয়াগী মেনষ্ট্রিম পোলিটিক্সতা চঙনখ্রি। রেজিষ্টেন্স মুভমেন্টকী খোল্লাও লাউরম্বদগী লোয়লম লৈঙাকপু শৌগৎপা মীওই কাঙবু কয়া থোরকখ্রে। ঐখোয়না ৱাখল তারে (কন্সিয়স ওইরে) হায়না খনবা মীওইশিংগী মরক্তগীসু খঙনা খঙনা খঙশিন্নদবা মীওই কয়া য়াওরিবনি। মসি রিপ্লেসিব ষ্টেট কিবা খক্কীরা নৎত্রগা অতৈ অতোপ্পা মরম করি লৈরি। মীয়াম্বু ৱাখল তাহল্লম্বা (কন্সিয়সনেস পীরম্বা)শিং অসিনা মখোয়না মীয়ামদা তাক্লম্বশিং অদুগী ওন্ন-তৈনবা মায়কৈদা থবক তৌরকপদা ঐখোয়না মখোয়গী ৱাখল তাবা (কন্সিয়সনেস) অসি য়াম্না নুং হঞ্জিন্দবা ৱাখল তাবা (কন্সিয়সনেস) নি হায়না লৌগদ্রা। নুং হঞ্জিন্না ৱাখল তাবা (কন্সিয়সনেস) অসি কদায়দগী পুরক্কদগে? মথৌদাং হিক্তোক্তবা (কম্মিটমেন্ট য়াওবা) মীওইশিংবু ৱাখল তাবা (কন্সিয়সনেস) অমা পুরক্তুনা ইন্দিয়াগী লোয়লম লৈঙাকপু কল্লেক্টিভ রেজিষ্টেন্সনা থেংনমিন্নবা হায়বসি ঐখোয় পুন্নমক্কী মাঙদা তারিবা পুৱারীগী চিরবা তাঙ্কক অসিগী চেনফদ্রবা থৌদাং (ইপোকল টাস্ক)নি।

ওক্টোবর ১৫ অসি অমম্বা নুমীৎনি হায়না চহীগী ওইনা পাঙথোকপা অসিনা ঐখোয়না পাল্লিবা কন্সিয়স কল্লেক্টিভ রেজিষ্টেন্স অদু পুরকপা ঙমগদ্রা। ঐখোয়না হৌজিক ওইরিবা ওবজেক্টিভ রিয়েলিটিশিং অসিদা য়ুম্ফম ওইদুনা য়েংলবদি রিচ্যুএল সেরিমোনি ওইনা পাঙথোকপদৌনা তৌরে। মসিনা য়াওল ঈহৌশিং মাঙদা চঙশিনবা ঙম্ফম থোক্তে। মরম অদুনা ঐখোয়বু মওং কয়াদা মুখৎলগে তেমশিল্লক্লিবা ইন্দিয়াগী লৈঙাকপু থবক ওইনা রেজিষ্ট তৌগদবা কন্সিয়সনেস অদু ঐখোয়গী মীয়ামদা পীনবা অনৌবা মায়োন্দা নুমীৎ অসিগী থৌরম পাঙথোকপা মথৌ তারে। হন্দক্কী চহী অসিদি মীয়াম্না অনৌবা থৌনা অমগা লোয়ননা ঐখোয়গী নীংতম্বা হঞ্জিন্নবগী থৌদাং হান্নদগী হেন্না লুম্না লৌমিন্নরসি। অসিগুম্বা থৌদাং অসিগী মায়োক্তা ষ্টেটকী মায়োক্তগী অঙকপা ফংবা রিপ্রেসন লাক্কনি হায়বা অচেৎপা ৱাখল তাবা (কন্সিয়সনেস) অদুগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা মণিপুর নম্ফুন্দা লৌশিনখিবা নুমীৎ অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকমিন্নসি। য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা কংলৈপাক শিনবা থুংনা ওক্টোবর ১৫গী অয়ুক পুং ৬ তগী নুমীদাং পুং ৬ ফাওবা অসুকনা জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোক্লে। জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিবু কংলৈ মীয়াম্না মপুং ফানা শৌগৎপীয়ু। হায়রিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিগী মনুংদা তঙাইফদবা মেদিকেল সর্ভিস, মীদিয়া সর্ভিস অমদি লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদি কোমথোক্কনি হায়নসু অসুককী পব্লিসিটি কম্মিটিগী কনভিনর এস মঙালনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদারক্লি।

ফিঙাং লান্মী লিংখৎখিবগী ৪৪শুবা নুমীৎকা মরী...

ঙরাংগী মখা... করম্বা মমা মপানা মচাশিংবু চাউরগা লৌমী ওইনবা লাইরিক তমহন্নবগে, মচা মশুশিংবু আই এ এস, এম বি এ, ডোক্টর ওইনবগী পান্দমদা মহৈ তমহনবা নৎত্রা? চহী ৭০ হেন্না নীংখা তম্লবা লৈবাক অসিদা মীয়ামগী থবক থৌরাংদা থেংথরগা থম্বা ঙম্লিবা অঙম অথৌ খক্তনা খুন্নাইগী ইকায়খুম্নবা ফংজবনি, খুন্নাই মনুংদদি মীপূম খুদিংগী দিমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈতে হায়বনি। ইন্দিয়াগী দিমোক্রেসিদি মরাইবক ফবা খরনা মখোয় খরগীদমক্তা লিংখৎপা লৈঙাকনি। মসিননি খুন্নাই অসিদা ইনাকখুনবগা লায়রবগা খেন্নবগী মরা তাহল্লিবসি। কংলৈ ফুরুপশিংবু মুখৎনবগী শরৌ তৌরিবা ইন্দিয়াগী মনুংদা মরাইবক ফবা অপূনবা কংলৈচা ওইগনি হায়বসি থাজনীংঙাই ওইদে হায়রি।

চেরোরলসিনা হায়, ইন্দিয়ন নেসনল কোংগ্রেসকী লাহোর মীফম (১৯২৯) গী ‘পুরনা স্বারাজ’ অমসুং করাচি মীফম (১৯৩১) দা লৌখিবা পোলিটিকেল এন্দ ইকনমিক ফ্রীদম অমদি ফন্দামেন্টেল রাইটস থমগনি হয়বা ৱারেপশিংদু উরগা মতম অমগী কংলৈপাক্কী মহৈ হৈরবা মখোয় খুজোক খরনা ইন্দিয়াবু নুংঙাই-য়াইফবা লৈবাক অমা ওইরনি হায়না থাজখি। মথং মথং...

প্রিপাক্কী ৪৩শুবা মপোক কুমওন...

ঙরাংগী মখা... ইন্দিয়াগী লম শন্দোকপা (এক্সপান্সনিজম)গী অরোনবা মীহৌবসু লৈ। সোভিয়েটকী রেদ আর্মিগুম্না অৱাংবা পোলিটিকেল কন্সিয়সনেসতা চাউরকপা ইন্দিয়াগী জেনরেল অমত্তা ঙসি ফাওবা পোকখিদ্রি। হিংচাবগী শিয়োমনুংদা হিংচাবদুমক পোক্কনি। মখোয়দা বৃটিশকী মীনাই কুইনা ওইরকপগী লাইচুখিদুনা বৃটিশ শাজনিংবগী অপংবা ৱাখল লৈ। পাকিষ্টান খায়দোকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ানা পোলিটিকেল স্পেস অমা মতম চুপ্পগী ওইনা লৈবগুম উরকই। অরিবা মতমদসু ইন্দো চিনাদা হিন্দু কোলোনি অমা শেম্বগী কলচর চুদুনা লাকই। গিও ষ্ট্রেটেজিক ইন্টরেষ্ট অমা ইন্দিয়াগী থম্নবা হোৎনবদা চিনাগা তায়নবা মনিংতম্বা লৈবাকপু ওক্যুপেসন পাল্লকই। লম লোয় চনবদগী মশানা লাকচবা কন্ট্রাদিক্সন পুন্বা ইন্দিয়াগী মিলিটরিনা নম্ফুন্দা নমথবা ঙমগনি হায়বগী অপংবা ৱাখলসু মখোয়গী রাম রাজ্যাগী মায়োক্তা লৈ। মরম অদুমক্না হিন্দুষ্টানি মীয়াম্না রাইট টু দিভলপমেন্ট ফংদনা লৈরি। মখোয়গী কোক্কী লায়না অসিনা মীওইবদা মরাল লংজরি। মরম অদুনা হিন্দুষ্টান দা হিন্দু ফনাটিক নত্তনা ৱর্ল্ড ষ্টেটমেন পোকপা ঙমদ্রিবনি। ইন্দিয়ানা ইরমদমগী মরৈবাক নীংবা অথৌবা কয়া হাৎপা ঙমখিবা য়াই, অদুবু নখোয়না অথৌবশিংদুগী নীংতম্বগী অকনবা থাজবা অমসুং ৱাখলবুদি মখোয়দগী কৈদৌনুংদা মুনবা ওইথোক্তে। কংলৈ পুৱারীদি কংলৈচাশিংগী ৱাখল্লোন্দা মুৎনাইদনা হিংলি। *মথং মথং...*

এন্ট্রান্স টেষ্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেষ্ট্রি এন্দ ইনভাইরনমেন্টেল সাইন্সতা এম এস সী, ফোরেষ্ট্রি অমসুং এম এস সী ইনভাইরনমেন্টেল সাইন্সকী অহানবা সেমিষ্টর তম্নবগী এন্ট্রান্স টেষ্ট লাক্লিবা ওক্টোবর ১৮দা পাঙথোক্লগনি। এন্ট্রান্স টেষ্ট অসিদা শরুক য়াগদবা ইলিজিবল ওইরবা কেন্দিদেটশিংগী লিষ্ট দিপার্টমেন্টকী নোটিশ বোর্দতা ফংবীগনি হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেষ্ট্রি এন্দ ইনভাইরনমেন্টেল সাইন্স, এম য়ুগী ঐচ ও দি ইন-চার্জ ডা. আর এস খোইয়াংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

বি জে পিগী মীরেপ মায়থীবা পীনবা ৱারেপ্লখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা ওক্টোবর ১১ দা পাঙথোকখিবা অন্দ্রো লোকল কাউন্সীল সী পি আইগী ২৮শুবা লোকল কনফরেন্সনা এ সী অসিদগী বি জে পিগী মীরেপ মায়থীবা পীনবা ৱারেপ্লখ্রে হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি কে ঐচ সুরচান্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অন্দ্রো বজার কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা লোকল কনফরেন্স অদুদা পার্টিগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার, সেক্রেটরিয়েট মেম্বর এ লালা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল সী পি আইগী সেক্রেটরি ঐচ বিমোল অমসুং লোকল অসিগী নুপী লুচিংবী পি ঐচ লাইবীনা ময়াই তাংবল লৌখি। মীফমদুগা মরী লৈননা এল সোটিনকুমারনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা মশাগী ওইজবা থিবা এম এল এ মশিং য়াল্লকপদগী পোলিটিক্সপু শেন্দাল লম্বী ওন্থোরকপনা ষ্টেট অসি চাউখৎ-লমজেলদা শোথহনবগা লোয়ননা পোলিটিক্সপু ফাগী তাহল্লকপনি। মসিনা পার্লিয়ামেন্টরি দিমোক্রেসিগী মিংচৎ মাঙহল্লি। মরম কয়া অসিদগী কনষ্টিট্যুসনগী টেন্থ সেদ্যুলগী ৱাংমদা চোংথোক-চোংশিন তৌরিবশিং য়ামদ্রবদা চহী ৬ ভোট লেপ্পা য়াহন্দবা টেন্থ সেদ্যুল অসি নৌনা শেমদোকপগী তঙাইফদবা লৈ। মশাগী পার্টিগী আইদিওলোজি খঙদবা শক্তিতমক মীহৌবশিং অমুক হন্না মায় পাকহন্দনবা মীয়ামগা খুৎশম্নদুনা অকনবা কেম্প্যেন চঙশিনমিন্নরসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কনফরেন্স অদুদা অন্দ্রো এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ মায়থীবা পীননবা ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা অনৌবা লোকল সেক্রেটরি ওইনা চিঙাখম ধমেনবু খনখি। এল কুঞ্জবিহারীনা এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি ওইনা খল্লবা তুংদা অন্দ্রো লোকলদা সী পি আইগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্ননবা ওর্গনাইজেসন কম্মিটি অমসু শেমখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

পোজিসন লৌরকখ্রবশিংদা মনা পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচ এন এস) : কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম)না লৌবা চহীসিগী হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন (ঐচ এস ঈ)দা পোজিসন লৌরকখ্রবা মহৈরোয় মরিদা মনা পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখ্রে।

ভিজন খুরাইনা শীল্লগা পাঙথোকখিবা অফবা মহৈরোয়শিং পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা সোসল ৱর্কর খাগোকপম খম্বনা হায়খি, মহৈ-মশিন নীংথিনা তম্বা হায়বসি মহৈরোয়শিংগী তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাং অমনি। খুরাই এ সীদগী অফবা মহৈরোয় কয়া অমা থোক্লকপা অসি খুন্নাই অসিগী ওইনা অফবা খুদমনি। খুরাই এ সীগী ওইনা এদ্যুকেসন্দা মীৎয়েং থল্লদুনা অফবা মহৈরোয়শিং পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। মখা তানসু অফবা মহৈরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ভিজন খুরাইগী এদভাইজর আর কে জিলাশাবা, টি ঐচ মনিবাবু অমদি মশক নাইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

নোংমৈ অমদি য়ু ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচ এন এস) : চহী অসিগী নবেম্বর ৭তা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৪-ৱাংজিং-তেন্থা এ সীগী মরক্কী মীখলগী খুদোংথিবা থোক্তনবা এস পি থৌবালনা লুচিংবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কাঙবু অমনা থিবা হুম্বগী থবক কয়া লেপ্তুনা চথুরি।

ঙসি অয়ুক পুং ৪.৫০ দগী পুং ৭ ফাওবদা লিলোং কৈথেল এরিয়াদা লৈবা য়ুম ১২০ দা সী দি ও থৌবাল অমদি লিলোং পি এস কাঙবু অমনা চঙশিন্দুনা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা নুপী য়াওনা মীওই ৩৫০ ভেরিফিকেসন চথুখি। চথুখিবা থিবা হুম্বা অদুদা দবল বেরেল নোংমৈ ৩ ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, ও সী খোংজোম অমদি সী দি ওগী অপূনবা টিম অমনা ঙসি তেন্থা তুৱাবন্দদা থিবা হুম্বগী থবক চথুদুনা নামৈরাকপম হেমচন্দ্রগী মচানুপা এন ইনাও (৪৩) অমদি মমৌনুপী এন ওংবী সুশিল্লা (৪১)গী য়ুমদগী য়ুঔ শুংবদা চঙবা মচাকশিং ফাগৎপগা লোয়ননা মখা তাবা ৱাহং-পাউহং তৌনবগীদমক পুলিস ষ্টেসনদা পুখৎলক্লবা মতুং এক্সাইজ দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

সেসন্স জজ য়াওনা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী চ্যেরমেনসু ওইরিবী সেসন্স জজ/ইম্ফাল ৱেষ্ট আর কে মেমচানা লুচিংদুনা লাংথবালদা লৈবা নুপীমচাশিংগী সনা ইবেম্মা ওবজর্ভেসন হোমদা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী প্রোগ্রাম অসিদা দিষ্ট্রিক্টসিগী লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী ইন-চার্জ সেক্রেটরিসু ওইরিবা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট/ইম্ফাল ৱেষ্ট ৱাই সোমোরজিৎ, জুবেনাইল জষ্টিস বোর্দ/ইম্ফাল ৱেষ্টকী প্রিন্সিপাল মেজিষ্ট্রেট দা. এল রিনা, জে জে বি/তমেংলোংগী প্রিন্সিপাল মেজিষ্ট্রেট হিরালতা এম অমসুং ওবজর্ভেসন হোম অসিগী ফঙ্কসন্নরিশিংনা শরুক য়াখি।

মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা)গী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখিবা জুদিসল ওফিসরশিংনা চিলদ্রেন-ইন-কনফ্লিক্ট ৱিথ লো (সী সী এল এস)গী মতাংদা ইন্টরেক্সন তৌখি। লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা লিগেল টোপিকশিংগী মতাং য়াওনা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিককী এস ও পি/ প্রোটোকোলশিংগী মতাংদসু ইন্টরেক্সন তৌখি। সেসন্স জজনা লুচিংবা টিম অসিনা হোম অসিগীদমক হেন্দ সেনিটাইজর, ফেস মাস্ক, সাপোন অমদি অতৈ পোৎলমশিংসু খূদোল তৌরমখি হায়রি।

ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচ এন এস) : কংলৈপাক ন্যুজ তেংবাং লূপ (কে এন টি এল) মণিপুরনা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা হোস্পিটালশিংদা অনাবশিংগী ব্লদ ‘ঈ’গী অৱাবা লৈরিবসিদা খরদা ওইরবসু কোক্লনবগী পান্দমদা ঙসি পোরোম্পাৎতা লৈবা জেনিমস হোস্পিটালদা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা নুপা নুপী ব্লদ দোনর ১৬না ঈ পীখি। মখা তানা রিমস হোস্পিটালদসু কে এন টি এল মণিপুরনা ঈ পীখিগনি হায়না কে এন টি এল মণিপুরগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর টি ঐচ সনধ্যানা ফোঙদোরক্লি। কেম্প অসিদা কে এন টি এল মণিপুরগী মেম্বরশিং, ব্লদ দোনরশিং অমদি মীয়াম্না শরুক য়াবীবগীদমকসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

স্মার্ট আইদি কার্দ য়েন্থোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচ এন এস) : হান্না ফোর্ম থাজিনখ্রবা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দনা মশক খঙলবা অমাই পিবা অপূন লূপ (অপাল) কংলৈপাক্কী লূপলোয়শিংনা থা অসিগী ১৬তগী ২০ ফাওবগী মনুংদা নুমীৎ খূদিংগী ওইনা নুমীৎয়ুংবা পুং ১২ তাবদগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা স্মার্ট আইদি কার্দ য়েন্থোক্লগনি। হান্না ওর্দিনরি কার্দ পায়খ্রবশিংগী ওইনদি কার্দ ফি লৌরোই। হান্না কার্দ অমুক্তা পায়খিদ্রিবশিংগীদি স্মার্ট কার্দ ফি লুপা ১০০ থিবীগদবনি লোয়ননা ফোর্ম থাজিনবীদ্রিবা মেম্বরশিংনসু পীরিবা মতম অসিগী মনুংদা ফোর্ম থাজিনবীয়ু হায়না অমাই পিবা অপূন লূপ, কংলৈপাক্কী থৌবুরেল ৱাফোংবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হেন্দ সেনিটাইজর তেংবাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১২ (ঐচ এন এস) : সী এস আই আর- নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি (এন ঈ আই এস টি) ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি লম্ফেলপাৎ ইম্ফালনা পুথোকপা হেন্দ সেনিটাইজর অমদি হায়দ্রোসোল লিটর ৬ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা তেংবাংলদুনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী এ এস পি অর্পন য়াদুভন্সিদা সী এস আই আর- এন ঈ আই এস টি ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি লম্ফেলপাৎকী সিনিয়র প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট ডা. হুইদ্রোম বিরকুমারনা খুৎশিন্নখ্রে।

মণিপুরগী কোভিদ ৱারিয়রশিংদা তেংবাংদুনা লাকখিবগী শরুক অমা ওইনা হেন্দ সেনিটাইজরশিং অদু খুৎশিন্নখিবনি হায়না সী এস আই আর -এন ঈ আই এস টি ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি লম্ফেলপাৎতগী সিনিয়র প্রিন্সিপাল সাইন্টিষ্ট ডা. ঐচ বিরকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মীয়াম্বু নমশিন্দুনা থম্লগা মীওই খরনা...

লামায় ১গী মখা... পোলিটিকেল পার্টি অসিনা পরম চুম্না থবক তৌই নৎত্রগা তৌদে হায়বসি ঐনা হায়রগা য়ারোই। লানবগীনা লানবগী, অচুম্বগীনা চুম্বগী কোর্টনা ৱায়েল্লক্কনি।

মহাক্না হায়খি, হৌখিবা চহী অহুম মখায়রোম অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা গভর্ণান্স হায়বসি করিনো হায়বদু গ্রাসরুট লেভেলদা য়ৌহনখ্রবনি। গো টু ভিলেজ, গো টু হিলনচিংবা কয়া পাঙথোক্তুনা মীয়ামগা, এদমিনিষ্ট্রেটরশিংগা হকথেংননা থেংনহন্দুনা মখোয়গী রাইট অমদি ফংফম থোকপশিং অদু লোইনা খঙহনখ্রবনি। লৈঙাক অসিনা পায়খৎলক্লিবা অফবা থৌরাংশিং অসিদা থাজবা থমদুনা কোংগ্রেস য়াওনা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদগী বি জে পিদা লেপ্পা লৈতনা চঙশিল্লক্লিবনি। মখা তানসু কয়া অমা চঙলকখিগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

মরক্কী মীখলদা বি জে পিগী মীরেপ ওইগদবশিংগী মিং লাউথোরকপদা লিলোং এ সীগী য়াওরকখিদবা অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, বি জে পি হায়বসি মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা পোলিটিকেল পার্টিনি। মথক থোংবশিংনা লৌরকপা ফিরেপতু ঐখোয়দি লান্মী অমা ওইনা ইনবা তাবনি। নেসনল লেভেল কম্মিটি, ষ্টেট লেভেল কম্মিটিনা লৌরিবা ফিরেপ অদু অফ-ফত্তা, তুং-মাঙ য়েংলবা কান্দা লৌরকপনি। সেন্ট্রেল লিদরশিংনা করি হায়রকই, ষ্টেট লিদরশিংনা করি পান্মী হায়বদুদা লিলোং এ সীদা লৈরিবা বি জে পিগী ৱর্করশিংগা পুন্না চৎমিন্নবা পান্মী। বি জে পি অসি য়াম্না দিসিপ্লিন লৈবা পার্টি অমনি। অসিগুম্লবা দিসিপ্লিন লৈবা পার্টি অসিদা সেন্ট্রেল লিদরশিংনা লৌরকপা ৱারেপকী ৱাংমদা এজিটেসন তৌবা হায়বসি চৎনদে। সেন্ট্রেল লিদরশিংনা লৌরকপা ফিরেপ ঙাক্লা চৎপা হায়বসি অশেংবা ৱর্কর অমগী মচৎ ওইগদৌরিবনি। নেসনল লিদরশিংনা লেপ্লকপা ৱারেপতা মীরেপ ওইগদবা মরিগী মিং লাউথোরক্লে। মীরেপ ওইগদবা অমনা অন্দরষ্টেন্দিং অমগী মখাদা লৈরে। মীরেপ ৫ মক মায় পাকহনবা হায়বসি ঐখোয়গী তঙাইফদবা ইথৌ ওইগদবনি। মসি নৌনা য়াওরক্লবশিংনসু অনৌবা মণিপুর অমা শেমগৎপদা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱর্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎ, রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা, লোক সভাগী এম পি ডা. আর কে রঞ্জন, বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এস টিকেন অমসুং পার্টি অসিগী মশক নাইবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

টেম্পররি মার্কেটতা শোপ্পিং মোল...

লামায় ১গী মখা... পিটিসনরশিংগী মায়কৈদা হৌজিক্কা সিনিয়র কাউন্সেল ওইরবা ঐচ এস পাওনমনা লেপখি। অদুগা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা মতমদুগী এদভোকেট জেনরেল অশোক পোৎশংবমনা লেপখি।

লোয়ননা জষ্টিস এম বিজেগী বেঞ্চ অসিনা মে ১৮, ২০০৫ দা পীখিবা ওর্দরনা ফোঙদোকখিবদা পিটিসনর অনীগী এসোসিএসন অসি বি টি রোদ লক্সমি বজার, ন্যু মার্কেট অমসুং পুরানা বজারগী দুকান/ষ্টোল মপুশিংগী এসোসিএসননি। এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংগী ৱেলফ্যেরগী থবকশিং তৌরিবা লূপসিনা কোর্টতা হায়জরক্লিবনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা শাগৎলক্কদবা মার্কেট প্লেসকী চানবা মফম অমদা এসোসিএসন অসিগী মেম্বরশিংগী দুকান/ষ্টোলশিং পীবীয়ু হায়বসিনি হায়খি।

গৌহাতি হায়কোর্টকী বেঞ্চ অসিগী ওর্দর অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক্কী রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপ্লিবা এদভোকেট জেনরেল অশোক পোৎশংবমনা মহুদ লোয়শঙগী ফাইল নম্বর- ২/১০/২০০৫ কোর্টতা পুথোরক্লে। অদুগা মহুদকী ফাইল অসিগী মতুংইন্না লৈঙাক্লা বি টি রোদ পাকথোকপা অমসুং নুপী কৈথেল অহুম শাগৎপদা শোক্লবা ম্যুনিসিপাল ষ্টোল হোল্ডরশিংগী একোমোদেসন (দুকান/ষ্টোল) পীননবা থবকশিং মাঙজৌননা পায়খৎলে হায়খি।

হায়রিবা কোর্টতা পুথোরকখিবা মহুদ লোয়শঙগী লৈঙাক্কী ৱারেপশিং য়াওবা ফাইল অদুগী চেরোল অদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মতমদুগী জোইন্ট সেক্রেটরি (মহুদ) এম জয়না মে ৪, ২০০৫ দা পীবা চেরোলনি।

মহুদনা কোর্টতা পীরকপা লৈঙাক্কী ৱারেপশিংনি হায়বা ফাইল অদুনা ফোঙদোরকখিবনা ওল্ড দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল লৈরম্বা মফমদা পি দি এনা শাগৎলিবা টেম্পররি মার্কেটতা হায়রিবা দুকান/ষ্টোলশিংগী এল্লোটমেন্ট পীগনি। মফমসিদা নেসনল বিল্ডিং কন্সত্রক্সন কম্পেনি (এন বি সী সী) লিমিটেদনা ‘শোপ্পিং মোল’ অমা শাগৎনবা প্রপোজ তৌরে হায়খি।

মরম অসিনা বি টি রোদ পাকথোকপা অমসুং নুপী কৈথেল ৩ শাগৎপদা শোকহল্লবা ম্যুনিসিপাল ষ্টোল হোল্ডরশিংবু টেম্পররি ওইনা টেম্পররি মার্কেটতা একোমোদেট তৌরে। থৌরাং অসি মফমসিদা এন বি সী সী লিমিটেদনা শোপ্পিং মোল শাদ্রিবা ফাওবগীনি হায়খি। শোপ্পিং মোল অসি মিনিষ্ট্রি ওফ অর্বান দিভলপমেন্ট এন্দ পোভর্টি এল্লিভিয়েসনগী ফন্দিং মখাদা শাগৎকদবনি। মসিগীদমক দিটেল প্রোজেক্ট রিপোর্ট দি পি আর শেম-শাবগী থবক চথুরি হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী কোর্টতা থমখিবা অমসুং কোর্টকী খুত্থাংদা দুকান/ষ্টোল মপুশিংদা খঙহনখিবা ৱাফমশিং অসিদগী দুকান/ষ্টোল মপুশিংগী মহুৎ শীল্লিবা এসোসিএসনগী পিটিসনরগী মায়কৈদগী ওবজেক্সন লৈতবগী মথক্তা কেস অসিগী ৱায়েল মখা তানা চথুবা পামদ্রবনা কোর্টনা সিভিল রিট পিটিসন অসি ক্লোজ তৌশিনখি।

অদুবু হৌজিক লাক্লিবা ৱাহংদি মণিপুর লৈঙাক্লা গৌহাতি হায়কোর্টতা ঙসিদগীনা চহী ১৫গী মমাঙদা ওফিসল ওইনা ফোঙদোকখিবা লৈঙাক্কী ৱারোল অদুনা কোর্ট অমসুং দুকান/ষ্টোল মপুশিংদা নমথাক তৌরিব্রা অমসুং টেম্পররি মার্কেট সেদ অসি চহী ১৫ হেল্লক্লবা ফাওবদা কয়াম কুইনা টেম্পররি ওইনা থম্বীখিগদগে হায়বসিনি।

Every pregnant women should get tested for HIV during the first 3 months of pregnancy to prevent HIV transmission to their child.
HIV test is available free of cost at Integrated Counseling & Testing Centre (ICTC) at all govt health facility & nursing homes.
For more information call AIDS helpline no
1097
MACS
NACO
HL/B/6425/1 to 29 Oct. alt.